৩২শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০

# য়ু টি এ য়ুনিটনা পূন্না মেদল ৬১ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর টাইক্কান্দো এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৮দগী চথরকপা ৩২শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা য়ুটিএ য়ুনিটনা গোল্ড ২২, সিলভর ২০, ব্রোঞ্জ ১৯ পূন্না মেদল ৬১ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ১৭তগী নুপামচা ২৪৫ অমসুং নুপীমচা ১১৭ পূন্না শান্নরোয় ৩৭১না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ৩২শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্কান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০গী ফর্ষ্ট রন্নর্স-অপনা এন এস এ য়ুনিটনা গোল্ড ২১, সিলভর ১৩, ব্রোঞ্জ ১২ পূন্না মেদল ৪৬; সেকেন্দ রন্নর্স-অপনা পি টি এ য়ুনিটনা গোল্ড ৮, সিলভর ৯, ব্রোঞ্জ ২২ পূন্না মেদল ৩৯ লৌদুনা তাখি।

বোইজ কেটেগোরিগী ওইনা সেনিয়র বোইজকী য়ু টি এনা পোইন্ট ১০০ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, সাই-উৎলৌনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি। জুনিয়র বোইজকী ওইনা সাই-উৎলৌনা পোইন্ট ৬৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, এন এস এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৪৪ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি। কেদেট বোইজকী ওইনা এন এস এনা পোইন্ট ৮২ ফংদুনা চেম্পিয়ন, সাই - উৎলৌনা পোইন্ট ৪৭ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি। সব জুনিয়র বোইজকী টিম চেম্পিয়নননা পি টি এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৯৩ অদুগা রন্নর্স-অপনা য়ু টি এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৫৩ ফংদুনা তাখি।

গর্লস কেটেগোরিগী ওইনা সেনিয়র গর্লসকীদা য়ু টি এনা পোইন্ট ৮৬ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, সাই-উৎলৌনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি। জুনিয়র গর্লসকীদা য়ু টি এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, এন এস এ য়ুনিটনা পোইন্ট ২৯ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি। কেদেট গর্লসকীদা এন এস এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৯০ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, য়ু টি এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৩২ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি। সব জুনিয়র গর্লসকীদা পি টি এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৫১ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন, এন এস এ য়ুনিটনা পোইন্ট ৪৪ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র গর্লসকী য়ু ২৯গীদা এলীভিয়ানা গোল্ড, ত্রেসিনা সিলভর, শিনে অমসুং নুরশিকানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। জুনিয়র গর্লসকী য়ু-৫২গীদা কনচননা গোল্ড, সবনমনা সিলভর, মারিয়া অমসুং সৌবাম কবিতানা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

সেনিয়র বোইজকী য়ু-৮৭কীদা তোনদোনস্নানা গোল্ড, থৌবনা সিলভর, টেজসননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। সেনিয়র বোইজকী য়ু-৬৮গীদা পারৈহনবনা গোল্ড, লময়ানবনা সিলভর, বিদ্যানন্দ অমসুং অবদুলনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

## চকপী য়ুনাইটেদ কপ ২০১৯

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): চকপী য়ুনাইটেদ কম্মিটিনা শীন্দুনা চকপীকারোং গ্রাউন্দদা চথরিবা চকপী য়ুনাইটেদ কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে ঐচ খুনৌ নোভোকোম এ, চকপী য়ুনাইটেদ, এল পি এন এম টি মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা কে ঐচ খুনৌ নোভোকোম (এ) না রিংফুবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে। কে ঐচ খুনৌ নোভোকোম (এ) গী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মোলাল জর্সি নম্বর ২১, ঙামরিং জর্সি নম্বর ১৬, কোনাহিং জর্সি নম্বর ১৪, মোথারিং জর্সি নম্বর ১২ অমদি বেঙাম জর্সি নম্বর ৯না চনখি। মায়থীহৌরবা রিংফুগী পাঞ্জলশিং অদুনা ননাওবা জর্সি নম্বর ১৪, দেমপাই জর্সি নম্বর ৮ অমদি এমরিং জর্সি নম্বর ৪না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা চকপী য়ুনাইটেদনা তাম্পী এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। চকপী য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মুকিম, খৃষ্টসন অমদি লালশেমনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা তাম্পী এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা মোঙাম্ফানা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এল পি এন এম টিনা এ কে এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। এল পি এন এম টিগী মায় পাক্লবা এল পি এন এম টিগী পাঞ্জলশিং অদু বি এন টি জর্সি নম্বর ২০ অমদি খাইমিন্থাং জর্সি নম্বর ১৭না চনখি।

# রঞ্জি ত্রোফিদা মণিপুরনা মিজোরামবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে




কোলকটা, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা রঞ্জি ত্রোফিগী প্লেট গ্রুপকী অহানবা রাউন্দগী মেচতা মণিপুরনা মিজোরামগী টিমবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

কোলকটাগী সালটিয়র সিটিদা লৈবা ভিদিওকোন একাদেমি গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৯দগী শান্নখিবা রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা মণিপুর অমসুং মিজোরাম লন্বা তৌনরকপনি। মদুদা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌরগা মিজোরামবু বেট্টিং তৌহনখি।

মিজোরামগী অহানবা ইন্নিংস অদু মণিপুরগী বোল্লর ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিম শরুক য়ারুরবা আর কে রেক্সনা ৱিকেট ৮ লৌদুনা শুপ্নগী ওভর ১৬তা ইন্নিংস অদু রন ৬৫দা লোইশিনহনখি।

মদুগী পাউখুমদা মণিপুরনা অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা ওভর ৮১গী অহানবা বোলদা অপূনবা রন ২৮৯ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী ওপনর চিঙাংবমনা রন ৮৯ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি। লোয়ননা মিজোরমগী বেটসমেন ৮ আউট তাহনখিবা আর কে রেক্সনা রন ৬৫ লৌদুনা ওল রাউন্দগী ওইবা ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখি।

মিজোরমনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা টিম অদুগী কেপ্তেন কে বি পারননা রন ১২৪ লৌখিবা অমদি ওপনর লালরোইজেলানা রন ৬০ লৌখিবনা মপূং ওইরগা রন ২৯০ লৌদুনা মণিপুরদগী মখোয়না রন ৬৬ হেন্দুনা লৈখি।

ঙসি শান্নখিবা টেষ্ট মেচ অদুগী হুমনি শুবা নুমিৎতা মণিপুরগী টিমনা রন ৬৭ লৌরগা মায় পাক্কদবা অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ১৭.৫ শান্নবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৬৯ লৌদুনা মিজোরামবু মখোয়না ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী ওপনর চিংঙাংবম অমসুং জয়েন্ত রন ১৬/১৬ লৌখি। অদুগা আর কে রেক্স অমদি সুলটান মথংশিংনা রন ১০ অমসুং ১৪ লৌখি।

# ১৩শুবা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড লৌরকপা ঙমখ্রবা মণিপুরগী ফুটবোল্লর ওকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): নেপালনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবদা ক্রিপসাগী থৌমীশিংনা লৈপরেং হুক্তুনা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অদুদি দাংমৈ গ্রেস, এন রতনবালা, দল্লিয়ু লিন্থোইঙাম্বী, এ রোজা, এন জি স্বিটি, এম লিন্থোইঙম্বী, এস রঞ্জনা, ঈ পান্থোই, এন জি বালা, ঐচ দয়া, এল অশালাতানি। অদুগা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা এল চাউবসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি ফাইনেলদা য়ূম্বু নেপালগা ইন্দিয়াগা লন্বা তৌনখিবা মেচ অদুগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অদু ঙাঙোম বালানা চনখিবনি।

## দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচএন এস): নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবালনা দি এল সী ৱাই সী অথোকপমগা খুৎশম্নরগা নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ইন্টর য়ুথ ক্লব স্পোর্টস মীট ২০১৯ ঙসি থৌবাল অথোকপম মখা লৈকায়দা লৈবা হৈক্রেং মখোং লম্পাক্তা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সী ঐচ বসন্ত, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি, থৌবালনা চীফ গেষ্ট, এল রোমেন্দ্রো, প্রসিদেন্ট, দি এল সী ৱাই সী অথোকপমনা প্রসিদেন্ট অমদি এন ৱাই কে থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট এদভাইজর কম্মিটি ওন য়ুথ প্রোগ্রামগী মেম্বর কে লোকেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ হুমনিগী ওইবা স্পোর্টস মীট অসিদা ফুটবোল, টগ ওফ ৱার, খো-খো, এথলেটিক্স, সাইকল ক্রোস কন্ত্রি রেস, চফু থুগাইবী (ইনি দজিনস গেমস) নচিংবা আইটেমদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা অথোই অহেন তান্নগনি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা সী ঐচ বসন্তনা এন ৱাই কে থৌবালনা শীল্লিবা স্পোর্টস মীট অসি মপূং ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা শান্ন-খোৎনবগী মমি তাহনবা অমদি মসিদা লৈরিবা নুংগী ওইবা দিসিপ্লিন, রুলস এন্দ রেগ্যুলেসনশিং খঙহনবগা লোয়ননা কোচকা, শান্নরোয়শিংগা লৈনরিবা মরী, চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংদা খঙহনবগা লোয়ননা মসিনা লমচৎ শাজৎ শেমগৎপদা হেন্না মপূং ফাহনগনি। লোয়ননা নৌরিবা নহাশিংদা স্পোর্টসকী স্পিরিৎ লৈহনবসিনা ময়াই কাবা চিঞাক্তগী লাপথোকহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়খি।

ঙসিগী খো-খো কম্পিটিসনদা এস ৱাই এস সী এ, শলুংফমনা পি কে দি সী অথোকপমবু ২৯-৯দা মায়থীবা পীখি।

১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱাই দল্লিয়ু সীনা ওস্কার থোইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ওস্কার পাওনা বজারবু রন ১৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অম্পয়র কিরন অমসুং জুগেননা ওইখি। মেচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা ওভর ২৯.১দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১২৫ লৌবা ঙমখি। ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী রনশিং অদু কুমারজিৎনা বোল ৩৮দা রন ৩৪, জোগেন্দ্রোনা বোল ২০দা রন ১৬ অমদি উমাকান্তনা বোল ২৭তা রন ১১ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ওস্কার পাওনা বজারগী মায়কৈদগী অঙ্গুনা ওভর ৬তা ৱিকেট ৪, লালবোয়না ওভর ৬তা ৱিকেট ১, দেবদত্তনা ওভর ৫দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ওস্কার পাওনা বজারনা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০৬ লৌদুনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী মখূৎতা রন ১৯দা মায়থীবা নংহৌখি। ওস্কার পাওনা বজারগী হোলেন্দ্রোনা বোল ৩০দা রন ২৫, নিংহোরনা বোল ২৯দা রন ১৭, জয়শঙ্করনা বোল ৩৪দা রন ১৬ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী গোজেন্দ্রোনা ওভর ৬তা ৱিকেট ২, কুমারজিৎনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১ লৌখি। ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী কুমারজিৎনা রন ৩৪ গা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি। হয়েংগী মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ লন্বা তৌনরগনি হায়রি।

২শুবা কয়ামুদ্দিন ত্রোফি ২০১৯-২০

# এস এফ সী অমসুং এল ৱাই দি ও দ্রো চৎখ্রে, এস আই এম এফ এ ৱাক ওভর ফংখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ৱান্টেদ বোইজনা শীন্দুনা কয়ামুদ্দিন শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ত্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এফ সী সোরা অমসুং এল ৱাই দি ও লাঙ্খোপাৎ পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা সলিমা এফ সী মতম চানা রিপোর্ট তৌদবনা টুর্নামেন্টতগী লৌথোকখিবনা এস আই এম এফ এনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ত্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা সলিমা এফ সী অমসুং এস আই এম এফ এ লন্বা তৌনগদবা অদু সলিমা এফ সী মতম চানা রিপোর্ট তৌদবনা এস এম এফ এনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এফ সী সোরা অমসুং এল ৱাই দি ও লাঙ্খোপাৎ লন্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অঙনবা মতমদা এস এফ সী সোরানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা এস এফ সী সোরাগী শান্নরোয় অরিফ জর্সি নম্বর ১৫না একাউন্ট হাংখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল ৱাই দি ওনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দ হেক হৌবগা এস এফ সী সোরাগী অনীশুবা পাঞ্জল অলিম খান জর্সি নম্বর ১০না চনখি। মিনট অমা কান্নরগা মেচকী ২৩শুবা মিনটতা এল ৱাই দি ল লাঙ্খোংপাৎকী একাউন্ট হাংখি। মখা তানা এল ৱাই দি ও লাঙ্খোপাৎকী টিমনা ফজনা শান্নরকপনা অনীশুবা স্কোর সলমান খান জর্সি নম্বর ২৭না মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা চন্দুনা ২-২দা মান্নহনখি।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

এ দি সী চান্দেল ফর্ষ্ট দিভিজন ২০১৯

## চুম্বাং এফ সী মায় পাকখ্রে, জোইনথাং অমসুং লিৱা সারৈ ৱাই সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী হৌদুনা লিৱা সারৈ গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চুম্বাং এফ সীনা ৱাই সী সীবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা জোইন্থাং এফ সী অমসুং লিৱা সারৈ ৱাই সী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা চুম্বাং এফ সী অমসুং লম্খুং ৱাই সী সী লন্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা চুম্বাং এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা চুম্বাং এফ সীনা লম্খুং ৱাই সী সীবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

চুম্বাং এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু রেঙশেম জর্সি নম্বর ৮না মেচকী ৬২শুবা, ৭৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, অহোং জর্সি নম্বর ২১না মেচকী ২৭, ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, অরাপা জর্সি নম্বর ১১, নৈঙির জর্সি নম্বর ২৩না মেচকী ১৫শুবা অমদি ২১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা লম্খুং ৱাই সী সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মোশিমলা জর্সি নম্বর ২০না মেচকী ২৯শুবা মিনটতা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা জোইন্থাং এফ সী অমসুং লিৱা সারৈ ৱাই সী লন্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লন্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি।

জোইন্থাং এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মাইকেল জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ১৭শুবা অমদি ২৩শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা লিৱা সারৈ ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা চুঙম জর্সি নম্বর ১৫না মেচকী ৮শুবা অদুগা সামুএল জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ৫৬শুবা মিনটতা চনখিবনি।

## অহানবা ওদেসিয়স কপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ওদেসিয়স গ্রুপ নিংথৌনাইনা শীন্দুনা নবেম্বর ২৫দগী য়াইরিপোক নিংথৌনাই শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা ওদেসিয়ন কপ সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সী ৱাই দি ও চঙমদবী অমদি দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা সী ৱাই দি ও চঙমদবী অমসুং চন্দ্রখোং এফ সী লন্বা তৌনখি। মেচ অদুদা সী ৱাই দি ও চঙমদবীনা চন্দ্রখোং এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। সী ৱাই দি ও চঙমদবীগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু এম দি নৱাবনা চনখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম অমসুং এন এফ সী (সী) নিংথৌনাই লন্বা তৌনখিবা মেচ অদু দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেমনা এন এফ সী (সী) নিংথৌনাইবু পাঞ্জল ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

M.S.S
এম. এস. এস. ব্রিক ফিল্ড
MSS BRICKFIELD
MECHANISED BRICK UNIT
Patsoi Part One, N.C. Road, Imphal West
+91 7627923289, 8974869590
BRICK RATE DISCOUNT UPTO 31ST DECEMBER 2019

| SL.NO. | TYPES | DISCOUNT RATE |
|---|---|---|
| 1. | 1ST CLASS | ₹12.00/- |
| 2. | 2ND CLASS | ₹11.50/- |
| 3. | REJECT / JAMAT | ₹10.50 |
| 4. | PETI | ₹10.00/- |
| 5. | 3RD CLASS | ₹6.00/- |

* NB: ALSO AVAILABLE ALL SIZE OF STONE CHIPS
HL-P/5476/11-14

## বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা দেমখোসৈক গাংতে ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী চথরক্লিবা অহানবা পু দেমখোসৈক গাংতে মেমোরিএল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম টি ভি টি, য়ু কে এস সী, কে ৱাই এল এস সী, ঐচ ৱাই দি সী সী এল, ৱাই পি এ, এম পি এস সী, ৱাই এম দি ও, টি কে য়ু ভি সী অমদি ৱাই এম দি ও মায় পাকখ্রে। অহানবা গ্রাউন্দদা এম টি ভি টিনা এস এস সীবু সেট ২-০দা, য়ু কে এস সীনা এস বিবু সেট ২-০দা, কে ৱাই এল এস সীনা আর সীবু অদুগা ঐচ ৱাই দি সী সী এলনা কে ভি এবু থোইখি।



HL-B/5780/2nov.to28dec.

EMPLOYMENT NEWS

| SL no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Deputy Manager | Graduate / Master (Computer Know) | 2 | Negotiable | 30-45 | H.Q |
| 2 | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | 2 Each | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Moirang |
| 3. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 20-40 | H.Q |
| 4. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 5. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 6. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 9 | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 20-35 | H.Q |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 30th Nov.,2019.
L.G.MOTORS (H.Q) ,KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Pleased Contact: 8787727402
HL-B/579/2nov. to 30 dec.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com